# অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাউবা নন-ন্যুক্লিয়র বোম অফঘানিষ্টানদা থাদখ্রে, মিলিটেন্ট ৯৪ শিখ্রে




কাবুল, এপ্রিল ১৫ :
হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা নন-ন্যুক্লিয়র দিভাইসশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা 'বোম পুন্নমক্কী মমা' হায়নসু খঙনবা পাউন্দ ২১,০০০ হেন্না লুম্বা অমেরিকাগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈবা কনভেনস্নেল বোম য়ু এস মিলিটরিনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা অফঘানিষ্টানদা লৈবা আই আই আই এসকী টার্গেটশিংদা থাদখ্রে। অসিগুম্বা খুৎলায় অমা লান্দা শিজিন্নবসি মসিনা অহানবনি হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়রি।

অফঘান ওফিসলশিংনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবী মতুং ইন্না য়ু এস মিলিটরিগী খ্বাইদগী চাউবা নন-ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী এটেক অদুদা শিখিবা মিলিটেন্টশিংগী মশিং ৯৪ য়ৌখ্রে। প্রোভিন্সিয়ল গভর্ণরগী স্পোক্সমেন অতৌলাহ খোগয়ানিগী মতুং ইন্না, এটেক অদুদা শিখিবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মিলিটেন্ট মশিং অহানবদা ৩৬ নি হায়নখিবদুদগী হেনগৎলকখি। ইরাই নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা ওফিসলশিংনা বোম থাদখিবা মফমদা কৃপ্পা য়েংশিনবদা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়খিবনি।

ফুট ৩০ শাংবা বোম অদু অফঘানিষ্টানগী নোংপোক থংবা নঙ্গারহর প্রোভিন্সকী মনুং হঞ্জিনবা পাকিস্টানগী বোর্দরগা নকুবা অচিন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী চীংদা শেম্বা টন্নেল কমপ্লেক্স অমদা টার্গেট তৌদুনা এম সি-১৩০ এয়রক্রাফট অমদগী থাদখিবনি হায়না পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন অদাম ষ্টম্পনা ফোঙদোকখি।

'মাদর ওফ ওল বোমস' হায়না খঙনবা ওফিসল মিং ওইনা জি বি য়ু-৪৩ কৌবা বোম অদু কেজি ৯,৭৯৭ (পাউন্দ ২১,৬০০) লুম্বা জি পি এসনা গাইদ তৌবা ম্যুনিসননি অমসুং মদু ইরাক লাল হৌরমদাই নুমিৎ খরনিখক্কী মাঙওইননা কুমজা ২০০৩ গী মার্চতা চাংয়েং তৌখিবনি।

লাইবক ফবদগী এটেক অদুদা মীচম শিবগী পাউ ফংদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা খোগয়ানিনা হায়খি, য়ামদ্রবদা আই এস গ্রুপকী লীদর মরি এটেক অদুদা শিখ্রে; হৌজিক ক্লিয়ারেন্স ওপরেসন চথরি।

মেসিভ ওর্দনান্স এয়র ব্লাষ্ট বোম নৎত্রগা এম ও এ বি শিজিন্নখিবা ষ্ট্রাইক অদু চথবদা য়ু এস মিলিটরি অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্টকী মরক্তা ওপরেসনগী মতাংদা নিংথিনা কোওর্দিনেসন তৌনখি অমসুং মদু মীচমশিংদা মীশি-মীনা থোকহন্দনবা চেকশিন্না পাঙথোকখি হায়রি।

য়ু এসনা অফঘানিষ্টানদা মরু ওইনা নঙ্গারহরদা আই এসকী ফাইটর ৬০০-৮০০ লৈ হায়না পায়। টালিবানগী মায়োক্তা অফঘান ফোর্সশিংবু শৌগৎপগা লোয়ননা য়ু এসনা আই এসকী ফাইটরশিং থেংনবদসু মিৎয়েং থমখি।

অফঘানিষ্টানদা হৌজিক য়ু এসকী ত্রুপ ৮০০০ হেন্না লৈ। মখোয়না লোকেল ফোর্সশিংদা ট্রেনিং পী অমসুং কাউন্টর টেররিজম ওপরেসনশিং কন্দক্ট তৌই।

অমেরিকাগী মিলিটরি কেম্প্যেনশিংনা অফঘানিষ্টানদা মীচম কয়া শিহল্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লুনা লাকখি। হৌখিবা চহীদা মিলিটরি কোলিসন্না চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবদা মীচম ১২৭ শিখিবনি অমসুং ১০৮ শোকখিবনি। কুমজা ২০১৫ দনা মীচম ১০৩ শিখি অমসুং ৬৭ শোকখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা হৌজিক মিৎকুপ অমদা লাল থোক্লকপা য়াই হায়না চাইনানা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে



বৈজিং, এপ্রিল ১৫ : নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি 'মিৎকুপ অমদা হেক্তা' লাল থোক্লকপা য়াই হায়না চাইনানা ইরাই নুমিৎতা অকনবা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা য়ু এসনা মিলিটরি এক্সন লৌখৎলকপা তারবদি 'নুংশি হৈতবা মওংদা' পাউখুম পীগনি হায়না পিয়োংয়াংনা হায়খিবগা ঈরোয়ননা বৈজিংনা চেকশিন-ৱারোল অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়বগী চিংনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা লমদম অদুদা টেন্সন নৌনা হেনগৎলকখি।

হৌজিক কোরিয়ন পেনিন্সুলা মনাক্তা য়ু এসকী নেভল ষ্ট্রাইক ফোর্স অমা দিপ্লোইদ তৌখ্রে অমসুং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রামনা অকিবা পোকহল্লিবসি 'য়েংশিল্লগনি' হায়না অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে।

ফীভম অসিদা হায়ফম তৌফম খঙদ্রবা চাইনানা মতম অমদা হেক্তা লাল থোক্লকপা য়াবগী তাঙ্কক য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা চথরকপা য়াবা কাইহৌবগী থৌওং খুদিংমক থিংনবা ত্রম্পনা অকনবা প্রেসর পীবা লৈরিঙৈদা বৈজিংনা চেকশিন-ৱারোল অসি ফোঙদোরকখিবনি।

'হৌজিক মতম অমদা হেক্তা কনফ্লিক্ট থোক্লকপা য়াই হায়না খন্নরে' হায়না চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা হায়খি।


'করিগুম্বা লাল অমা থোক্লকপা তারবদি মদুগী ফলদি মীপুং খুদিংমকপু মাঙহনবা অমসুং কনামত্তনা মায় পাক্তবগী ফীভম অমা ওইগনি' হায়না য়িনা বৈজিংদা ফ্রঞ্চ ফোরন মিনিষ্টরগা লোয়ননা পাঙথোকপা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা মখা তাখি।

ৱাংগী কম্মেন্টশিং অসিদা 'থর্মো-ন্যুক্লিয়র ৱার মিৎকুপ অমদা হেক্তা থোক্লকপা য়াই' হায়বা নোর্থ কোরিয়ন ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ইন্সটিট্যুট ফোর দাসার্মামেন্ট এন পিছকী ৱার্নিং অমগী মমি তাই হায়রি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংলকখিবা মমাঙগী থেংখাং কয়াদসু মান্নবা মওংদা কিনিঙাই ওইবা ফীভমশিং লাকহনগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা কিহনখিবনি। তৌইগুম্বসুং বৈজিংনা পীরক্লিবা চেকশিন-ৱারোলশিং অসিনা মালেম পুম্নবু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদু মিৎকুপ অমদা লাল থোক্লকপা য়াবগী মওংলা হায়না চিংনবা পোকহল্লি।

নোর্থ কোরিয়াগী কোরিয়ন পিপলস আর্মি (কে পি এ) না ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমনা সাউথ কোরিয়াদা লৈবা য়ু এস মিলিটরি বেজশিং অমসুং অতৈ টার্গেটশিংদা ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না কিহনখিবনি।

# লিবিয়াদা পাক শন্না লাল থোক্লকপা য়াই হায়না য়ু এন চীফনা ৱার্নিং তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ১৫ :
ত্রিপোলিদা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী তং-তাদবা ফীভম অমসুং থাউ মরাং কায়না ফংবা নোংপোক থংবা লমদম অমসুং অতৈ মফমশিংদা অমগা অমগা খুৎ থোক্লবগী ফীভমশিং লৈরিবদু য়েংলুরগা লিবিয়াদা অমুক হন্না পাক শন্না লাল থোক্লকপা য়াই হায়না য়ু এনগী সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা লানখৎখিবা রিপোর্ট অমদা য়ু এন চীফনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা অমগা অমগা খুৎ থোক্লবা হেনগৎলকপা অমসুং তং তাদবা পোলিটিকেলগী ফীভম লৈরিবদুগী মতাংদা মীপাইবা ফোঙদোকখি।

গুটেরেসনা হায়খি, ইস্লামিক ষ্টেট এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপনা লিবিয়াগী লমশিং মখা তানা কন্ত্রোল তৌদ্রে তৌইগুম্বসুং মসিগী ওপরেটিভ কয়া থেংনরে অমসুং তোঙান-তোঙানবা এরিয়াশিংদা চথরিবা এটেকশিং মখোয়গী খুৎনি হায়না মরাল শীখ্রে। গ্রুপ অসিনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিবু মখোয়গী টার্গেট ওইহন্দুনা লাক্লিবনি।

কুমজা ২০১১ দা মীয়াম্না ঈহৌ হৌদুনা দিক্টেটর মুআম্মার গদ্দাফিবু মফমদগী চিংথুখিবা অমসুং হাৎখিবদগী লিবিয়াদা মথোং মরম খঙদবা কাং খোং চাইবগী ফীভম লাকখি অমসুং নোংপোক অমসুং নোংচুপতা রাইভল পার্লিয়ামেন্টশিং অমসুং গভর্ণমেন্টশিংগী মরক্তা নাকপাক তানদুনা লাকখি। নাকল অনীমক তোঙান-তোঙানবা মিলিস্যাশিং, ত্রাইবশিং অমসুং পোলিটিকেল ফেক্সনশিংনা শৌগৎনখি।

# চাইনা, জর্মনিনা ট্রেদ সরপ্লসশিং হন্থহনগদবনি : য়ু এস

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৫ :
ফজদবা মওংদা লল্লোন-ঈতিক্কী খুদোংচাবা ফংনবনি হায়দুনা চাইনা অমসুং জর্মনিনা মখোয়গী করেন্সিশিংগী ভেল্যু শেমদোক-শেমজিন তৌবা লৈতে তৌইগুম্বসুং লৈবাক অনীমক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনরিবা মখোয়গী ত্রেদ সরপ্লসশিং হন্থনবা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকন্দবনি হায়না ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চয়োল অসিদা মহাক্কী হান্নগী ফীরেপ থাদোক্তুনা চাইনাবু করেন্সি মেনিপ্যুলেটর অমা নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা ৱাফমসি ফোঙদোরকখিবনি।

ত্রম্পনা মহাক্কী ইলেক্সন কেম্প্যেন মনুংদা মহাক্না ওফিস পায়বা হৌবা নুমিৎমক্তদা চাইনাবু করেন্সি মেনিপ্যুলেটর অমনি হায়না লাউথোক্কনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন থাজবা পীখিবনি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা ফ্লোরিদাদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা উনরবা মতুংদা ত্রম্পনা মহাক্কী হান্নগী ফীরেপ হোংখিবনি।

চাইনাবু করেন্সি মেনিপ্যুলেটর অমনি হায়বদা চঙলিবা তঙাই ফদবা ক্রাইটরিয়া অহুমগী মনুংদা অমৎতমক লৈবাক অসিগা চানখি। চাইনাগী গ্রোথ রেট চাউরাক্লা ৱাংবা ওইখিদ্রবসু বৈজিংনা হন্দক মসিগী করেন্সিগী ভেল্যু হন্থহন্নবা মার্কেটতা খুৎ থিংজিনখিবগী মওং অমত্তা লৈখিদে। মদুগী মহুত্তা চাইনিজ করেন্সিগী ভেল্যু মখা তানা হন্থরক্তনবা হোৎনখি। জর্মনিগী ওইনসু য়ুরোজোনগী শরুক ওইনা লৈবাক অসিনা মরন্নাই ৱারেপ লৌদুনা য়ুরোগী ভেল্যু হোংদোকপা ঙমদে।

# য়ু এসকা উংখৎনবা লৈরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা মিসাইলশিং উৎখ্রে



টোকিয়ো, এপ্রিল ১৫ :
নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী ফাউন্দরগী মপোক নুমিৎ থৌরমগী শরুক ওইনা থাংজ নুমিৎতা য়াল্লবা মিলিটরি খুৎলায়শিং উৎখ্রে। মালেম পুম্নবু উহনখিবা কিম জোং-উনগী মমাঙদা পুথোকখিবা খুৎলায়শিং অদুদা অনৌবা অমসুং টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাউশিল্লবা মিসাইলশিং য়াওখি।

অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা ন্যুক্লিয়র নৎত্রগা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েংদি পাঙথোকখিদ্রে। হান্নদি লৈবাক অসিনা কিম ইল সুংগী ১০৫ শুবা মপোক নুমিৎতা খুৎলায় অমা চাংয়েং তৌরকপা য়াই হায়না মালেম পুম্বনা চিংনখিবনি।

এপ্রিল ১৫ অসি নোর্থ কোরিয়ন কেলেন্দরদা খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎনি অমসুং কিম জোং-উননা মহাক্কী গ্রান্দফাদরগী মপোক নুমিৎ অসি মহাক লৈবাক অদুগী কম্যুনিষ্ট দিনাষ্টি অদুগী লোনা য়াবা খ্বাইদগী নৌবা মহুৎ শিনবনি হায়বসি উৎনবা মওংদা অচৌবা হরাউ-কুম্দে অমা ওইনা সেলেব্রেট তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা থাংজ নুমিৎতা কিম ইল-সুং স্কৱারদা পাঙথোকপা পেরেদতা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইলশিং উৎখি। মখোয়দুগী মনুংদা হৌখিবা চহীদা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবা সবমেরিনদগী কাপ্পা বলিষ্টিক মিসাইল অমসুং হৌখিবা থাদা কাপখিবা কংফালদা বেজ ওইবা মদুগী ভর্সন য়াওখি।

'নোর্থ কোরিয়ানা খুৎলায় ময়াম অমা উৎখ্রে' হায়না ক্যালিফোর্নিয়াদা লৈবা জেমস মার্টিন সেন্টর ফোর ননপ্রোলিফরেসন ষ্টদিজগী এক্সপার্ট মেলিসা হরহামনা ফোঙদোকখি। 'মখোয়না মালেমদা পীনিংলিবা ঈঙ্গিৎতিমখোয় সোলিদ ফ্যুঅল মিসাইলশিংগা লোয়ননা খুৎশু-খুৎলায়দা খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লে হায়বসিনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নোর্থ কোরিয়ানা সোলিদ ফ্যুঅলগা মরী লৈননা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাকখিবনি। ফ্যুঅল অসিনা মিসাইলশিং খুদক্তা কাপ্পা য়াবগী ফীভমদা লৈহল্লি অমসুং হান্নগী লিক্কিদ ফ্যুঅল মিসাইলশিংগুম্না প্রোপেলেন্ট শিজিন্নদুনা লোদিং তৌবগী তঙাই ফদবা লৈহন্দে। অসুম্না মিসাইলশিংবু য়াম্না থুনা অমসুং সেট্টলাইটশিংনা দিটেক্ট তৌহন্দনা কাপ্পা ঙমহল্লি।

লমদম অদুদা মিলিটরি এক্সন লৌখৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈ অমসুং মালেম পুম্বনা অকনবা ৱার্নিং পীরিঙৈদা মিলিটরি পেরেদতু পাঙথোকখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোরিয়ন পেনিন্সুলা রিজনদা এয়রক্রাফট কেরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপ অমা থাখ্রবনি অমসুং ত্রম্পনা চাইনানা নোর্থ কোরিয়াবু লাকশিন্নবা হোৎনদ্রবদি য়ু এসনা মরন্নাই ওইনা মদুগী থবক্তু পাঙথোক্লগনি হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খ্রবনি।

# পাকিস্টানদা মহৈরোয় হাৎপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৫ : ইস্লাম লাইনিংগা মরী লৈননা উশিৎ-থওইদবা ৱাফম কয়া ইন্টরনেটতা ফোঙখি হায়বগীদমক্তা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় মাশল খানবু মীহাৎ থীনা হাৎখিবগী থৌদোক কন্দেম তৌরদুনা পাকিস্টানগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোয় অদুগী হকচাংদু লৈরোল চনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎতা খাইবর পখতুনখৱাগী জাইদা ভিলেজদা দেমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোকখি। অব্দুল ৱালি খান য়ুনিভর্সিটিগী চহী ২৩ শুরবা জার্নেলিজমগী মহৈরোয় অদু শগোলশেল নুমিৎতা মোব অমনা মশাদা থোংলিবা মফি-মরোলশিং লৌথোকখি, নোংমৈনা কাপখি, হোস্টেলগী অনীশুবা ফ্লোরদগী ইন্থখি অমসুং তমথীনা ফুরগা হাৎখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ ফাগৎখ্রে।

# রসিয়ানা টালিবান অমসুং অফঘান গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানবদা হোষ্টে ওইনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

মোস্কো, এপ্রিল ১৫ :
অফঘান ইস্যুগী মতাংদা মোস্কোদা লমদম অদুগী লৈবাকশিংগী দিপ্লোমেটশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা রসিয়ানা অফঘানিষ্টান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবানগী মরক্তা পিছ টোক্স চথবদা থৌবু ওইনিংবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে হায়না রসিয়ন ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

অফঘান ইস্যুগী অহুমশুবা খন্ন-নৈনবগী রাউন্দ অদুদা রসিয়া, অফঘানিষ্টান, চাইনা, ইন্দিয়া, ইরান, পাকিষ্টান, কাজখষ্টান, কিরিগিষ্টান, টর্কমেনিষ্টান, টাজিকিষ্টান অমসুং উজবেকিষ্টানগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি হায়না রসিয়ন টাস ন্যুজ এজেন্সিনা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুদা পোলিটিকেল নিগোসিয়েসনশিং লাকহন্নবগী পান্দমদা থা মরিগী মনুংদা রসিয়াগা মীফম পাঙথোকপসি মসিনা অহুম্লকশুবনি।

খন্ন-নৈনবদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতসু য়াওনবা ইনভাইট তৌখি তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা মদু য়াখিদে।

'লাল অদু লোইশিন্নবা তৌবদা অসুম্না ৱারী শানগদৌরিবগী মরম করিনো হায়বসি ঐখোয়না শেংনা খঙখিদে' হায়না ৱাশিংটন্না য়াওখিদবগী মরম পল্লদুনা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন মার্ক টোনরনা চয়োল অসিগী অঙনবদা হায়খি।

রসিয়ন ফোরন মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না, অফঘানিষ্টানদা লৈবাক্কী ওইনা শন্দাইনবা পুরক্লবগী প্রোসেস খুমাঙ চাউশিনহন্নবগীদমক্তা রিজনেল লৈবাকশিংবু কোওর্দিনেট তৌনবগী পাম্বৈশিং থিবা অমসুং লমদম অদুদা পিছ পুরকপা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎকদবা থবক্নি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরগী অথেংবদা মোস্কোদা চাইনা, পাকিষ্টান অমসুং রসিয়াগী মরক্তা ত্রাইলেটরেল মীফম পাঙথোকখিবদগী রিজনেল ইনিসিয়েটিভতা রসিয়ানা মাঙজিল থাদুনা লাকখি। এপ্রিল ১৪ গী মীফমদা টালিবানবু য়াওহনবগী ৱাফম কাবুলনা ফেব্রুৱারীগী মীফমদা য়াখিদবনি।




HL-B/3784/26/03-26/04

## /EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment – Union Public Service Commission – 179 Assistant Commandants Vacancies – Last Date 05 May 2017

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 179 Assistant Commandants (Group A) in the Central Armed Police Forces (CAPF) viz. Border Security Force (BSF), Central Reserve Police Force (CRPF), Central Industrial Security Force(CISF) and Sashastra Seema Bal (SSB). Apply Online before 05 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 08/2017-CPF
**UPSC Job Details :**
Post Name : Assistant Commandants (Group A)
No of Vacancy : 179 Posts
Pay Scale : Not Specifies
**CAPF wise Vacancies :** BSF : 28 Posts; CRPF : 65 Posts
CISF : 23 Posts: SSB : 63 Posts
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate must hold a Bachelor's degree of a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India or other educational institutions established by an Act of Parliament or declared to be deemed as a University under Section-3 of the University Grants Commission Act, 1956 or possess an equivalent qualification.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 20 to 25 years as on 01.08.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 3 years & For SC/ST Candidates 5 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/Women candidates who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 12.04.2017 to 05.05.2017 till 18.00 hrs thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 12.04.2017
Last Date for Submission of Online Application : 05.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/Notice_CAPF_2017_Engl.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

### PNB Recruitment – Punjab National Bank – 45 Manager (Security) Vacancy – Last Date 06 May 2017

**PNB Recruitment 2017**
Punjab National Bank (PNB) invites Application for the posts of 45 Manager (Security) in the officer cadre. Apply before 06 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**PNB Job Details :**
Post Name : Manager (Security)
No. of Vacancy : 45 Posts
Pay Scale : Rs.31705-45950/-
**Eligibility Criteria for PNB Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor's degree from any University recognized by Govt. of India and An Officer with 5 years Commissioned Service in Indian Army/Navy/Air Force OR A Gazetted Police/Para Military/Central Police Organization's officer not below the rank of Assistant Comdt.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 21 to 35 years as on 01.01.2017
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be made on the basis of Personal interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.50/- for SC/ST Categories and Rs.300/- for all others through cash, at any branch of Punjab National Bank by Cash voucher.
**How to Apply PNB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with cash voucher & supporting documents (i.e. relevant copies of Educational & Experience certificates) send by Speed/Registered post to Chief Manager (Recruitment Section), HRM Division, Punjab National Bank, HO: 7, Bhikhaiji Cama Place, New Delhi-110607 on or before 06.05.2017.
**Important Dates to Remember :**
Opening Date for Downloading the Application form and cash voucher : 15.04.2017
Closing Date for Downloading the Application form and cash voucher : 01.05.2017
Last Date For Submission of Application form : 06.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement, Application form and cash voucher Link : https://www.pnbindia.in/Recruitments.aspx

### BSF Recruitment – Border Security Force – 21 Junior Engineer/Sub Inspector (Electrical) Vacancy – Last Date 30 Days from the Date of Publication in Employment News

**BSF Recruitment 2017**
Border Security Force (BSF) invites application for the post of 21 Junior Engineer/Sub Inspector (Electrical)' Group-B, Non-Ministerial. Engineering (Electrical) (Combatised). Apply before 30 Days from the Date of Publication in Employment News. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**BSF Job Details :**
Post Name : Junior Engineer/Sub Inspector (Electrical)
No. of Vacancy : 21 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-
**Eligibility Criteria for BSF Recruitment :**
Educational Qualification : Pass three years Diploma in Electrical Engineering frorn an Institute recognized by the Central Govemment or State Covemment.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 years as on last date of receipt of application.
Age Relaxation : SC/ST Candidates 5 years & OBC Candidates 3 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on written Test, Physical Standard Test (PST), Physical Efficiency Test (PET), Interview & Medical Examination.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- through Demand Draft/ Postal Order in favour of the addressee to whom the application is addressed, payable at respective SBI/ Post Office at the location or nearby station. Women/ SC/ ST & BSF Candidates are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply BSF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Self-attested copies of relevant documents, three recent passport size photograph, DD/IPO & two self addressed envelope of size 25 x 12 cm with postal stamp worth Rs. 40/- each send to relevant centers as per official Notification on or before 30 days from the date of publication in Employment News.
**Important Dates to Remember :**
Date of Publication : 12.04.2017
Last Date for Submission of Application : 30 days from the date of publication in Employment News
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://bsf.nic.in/doc/recruitment/r49.pdf